# ম্যান্মারদা এনই গী লালহৌবশিং লৈ হায়বা ব্রাফমদগী ইন্দিয়ানা মীৎয়েং চংবা হৌরে

*-সুবির ভোমিক*

*থৌদাং পাউমীদগী*

***ইম্ফাল, জুন ১০:*** মতম শাংনা মিলিটরিগী শাসন লৈরম্বদগী হন্দক্তা দিমোক্রেসিগী লৈঙাক-শাসন লাকপদা ঙাইহিরবা ম্যান্মারদা অৱাং-নোংপোক্কী লালহৌবশিং লৈ হায়বা ব্রাফমদগী ইন্দিয়াগী শক্তি লৈরবা রিজনেল দিপ্লোমেসিনা মায়কৈ অসোমদা মীৎয়েং থম্বা হৌরে হায়না অরাম্বম সমরেন্দ্র ত্রষ্ট ইম্ফালনা শিন্দুনা ১২ শুবা অরাম্বম সমরেন্দ্র মার্টিয়রদম এনিভর্সিরিগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ইম্ফাল জেএন দান্স একাদেমি হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা মেমোরিয়েল লেকচরর পীরদুনা সভেন সিষ্টর পোষ্টকী এদিটর সুবির ভোমিক্না ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মতম অমদা নোর্থ ইষ্টকী লালহৌবশিংনা চংজফম লৌদুনা লৈ হায়না খনবা বংলাদেশ অমসুং ভুটান্দা ভারতকী রিজনেল দিপ্লোমেসিনা মীৎয়েং চংদুনা থবক পায়খৎখিবনি। অদুবু ঙসিনা অমুক ম্যান্মারদা নোর্থ ইষ্টকী লালহৌবশিং চংজফম পী হায়না দিমোক্রেসি লাকপদা ঙাইহিরবা লৈবাক অদুদা ইন্দিয়াগী রিজনেল দিপ্লোমেসিনা মীৎয়েং চংবা হৌরে। অদুমকপু ভারত সরকারনা ম্যান্মারদগী লালহৌবশিং তকথোকপগী অপান্বদু প্রাইম মিনিষ্টর ডা: মনমোহন সিংহ চৎতুনা প্রেসর পীরবসু মদু হৌজিকমক্কী ওইনা থবক্তা উৎথোক্কদ্রা হায়বদুদি ঙনমল্লি।

অৱাং- নোংপোক্কী লালহৌবশিংগী ওইনদি ওপসন অহুম লৈ। অহানবদা ভারত সরকারগা ৱারী শান্নবা অমদি চাইনাদা মতেং লৌদুনা চংজফম লৌদুনা লৈবা নত্রগা মাওইষ্টকুম্না ভারতকী মথক্তা লালহৌবা অমদি মিলিটরি অমদি রাজনিতিগী ওইনা লোয়শিনবনি হায়খি।

পনবা য়াবদি মেমোরিয়েল লেকচরর অদু প্রো: ডব্লিউ নবকুমারনা প্রিসাইদ তৌখি অদুগা নাগালেন্দগী অইবা কাকা ডা: ইরালু অমসুং হ্যুমেন রাইটস এক্তিভিষ্ট বব্লু লোইতোংবমসু খন্ন-নৈনবা অদুদা পেনেল মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলনা শিন্দুনা অরাম্বম সমরেন্দ্র লৈখিদবগী ১২ শুবা মপোক কুমওন পালন থৌরম ঙসি হাপ্তা কাংজৈবুংদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দসু পাঙথোকখি।

থৌরমদুগী মনুং চন্না লৈখিদ্রবা লুচিংবা অসিগী মফমদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। থৌরমদুগা মরী লৈননা সিপিআই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী সেক্রেটরি ডা: এম নরনা ফোঙদোকখিবদা লাইওইখ্রবা লুচিংবা অরাম্বম সমরেন্দ্র লমদম অসিগীদি অশেংবা রিফোর্মর অমনি। মহাক্না লমদম অসিগী কখোল্লম্বশিং অসি ঙসিগী মীরোলনা ইকায়খুম্নফম থোকই। লুচিংবা অসিনা ঐখোয়গী সমাজ অসিবু শেমদোক্নবা ইরম্বা ড্রামাশিং অদু শুমাং লীলা ওইনা শান্নদুনা লমদম অসিগী মীয়ামদা মেসেজ পীবগী মতম ওইরে। লুচিংবা অসিনা মংজরম্বা মংলান অদু লৈহৌরিবা মচা-মশু ওইরিবা ঐখোয়না মংফাওননবা হোৎনম্নিসি হায়খি।

অরাম্বম সমরেন্দ্র ত্রষ্ট অমসুং সোসিয়েল ষ্টেন্দর্দ ক্লব খুরাই নান্দেবম লৈকাই অনিনা শিন্দুনা ১২ শুবা অরাম্বম সমরেন্দ্র নীংশিং কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে। লোয়ননা থৌরমদুগী মনুং চন্না খুরাই নান্দেবম লৈকায়দা লৈবা লৈখিদ্রবা অরাম্বম সমরেন্দ্রগী নীংশিং খুভমদা অয়ুক অঙনবদগী হৌনা মায়কৈ কয়াদগী লাকপা মীওই কয়ানা লৈ-শু কৎতুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। লোয়ননা অস্মিক্কী আর্টিষ্টশিংনা লৈখিদ্রবা লুচিংবা অসিনা ইরম্বা লৈবাক নিংবা ঈশৈশিং শক্তুনা মহাক্না লৌরম্বা থৌদাংশিং মীয়ামদা নৌহৌননা নীংশিংহনখি।

কাদানা শিন্দুনা ১২ শুবা অরাম্বম সমরেন্দ্র নীংশিং থৌরমগা মরী লৈননা ষ্টেট লেভেল ওপন পেত্রিওটিক সোং কম্পিটিসন অমসু পেলেস কম্পাউন্দদা শ্রী শ্রী বাল মুকুন্দর দেব গভর্নমেন্ট ম্যুজিক কলেজদা পাঙথোকখ্রে।